মখল মথেলগী কলম



# জিতেশ্বর অমদি সতিসকী মশা শিন্নগদবনি হায়দুনা ৱাকৎ মীফম চত্থরি

ইম্ফাল, আগষ্ট ৩০ঃ

গুরুময়ুম জিতেশ্বর শর্ম্মা অমদি থাংজম সতিসকী মশা শিন্নগদবনি, মখোয় অনী য়াওনা মীওই ৫ লোন্না হাৎখিবদা চেন্নবশিং দন্দি পিয়ু হায়দুনা ৱাকৎ মীফমগী খোঙজং ঙসিসু চত্থরি।

জেএসি এগেন্টস কোল্ড ব্লদেদ মর্দর ওফ জি জিপসি শর্ম্মা, থাংজম সতিস, থৌনাওজম প্রেম, আরকে রনেল এন্দ ফিজম নাওবী বাই থ্রি সিআইএসয়ু, ইন্দিয়ান অর্মি হায়রিবা জেএসি অমদি খুনাই কনবা মৈরা পায়বী অপুনবা লূপ অনীনা ৱাবগাই কৈথেল মচাদা ৱাকৎ মীফমগী খোঙজং চঙশিনখি।

সেকমাইজিন থোংখোঙদসু জেএসসিগী মায়কৈ অদোমগী মৈরা পায়বী পুল্লগা ৱাকৎ মীফমগী খোঙজং চঙশিনখি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা গুরুময়ুম জিতেশ্বর শর্ম্মা অমদি থাংজম সতিসকি অশিবা হকচাং শিনগদবনি, জি জিপসি, টিঐচ সতিস, টিঐচ প্রেম, আরকে রনেল অমদি পিঐচ নাওবীগী অরোনবা মীহাৎ গভর্নমেন্টনা সিবিআই নৎত্রগা এসআইটি শেমদুনা থিগৎহনগবনি, মীহাৎশিং অসিদা চেনরিবা ইন্দিয়ান আর্মিগী থ্রি কোর্পস ইন্তিলিজেন্স সর্ভিলেন্স য়ুনিৎ (সিএসআইয়ু) শিং অথুবা মতমদা আইনগী ওইবা চৈরাক পিগদবনি, অফস্পা অমদি অমুবা আইনশিং মুথৎকদবনি অমদি ষ্টেট গভর্নমেন্টনা সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টদা অরোনবা মীহাৎ অসিগী ৱায়েল পুথোক্লবা হায়গদবনি অমদি এক্সত্রা জুদিসিয়েল এক্সিক্যুসনদা চেন্নরিবা আর্মিগী ওফিসারশিং অমদি মখোয়গা লোয়নরিবশিং অহকপা চৈরাক পীয়ু হায়দুনা খোল্লাও ওইনা লাওখি।

# ইম্ফাল থিয়েটরগী অনৌবা প্লে ‘হে চৎলো’ উৎখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ৩০ঃ

ইম্ফাল থিয়েটরনা পুথোকপা অনৌবা প্লে ‘হে চৎলো’ (গো অৱে) হায়না মিংথোনবা লোইতোংবম পরিংঙানবনা স্ক্রিপ, দিজাইন অমদি দাইরেক্সন পীবা দ্রামা অমা ঙসি ইম্ফালগী বিটি রোদতা লৈবা রূপমহল থিয়েটরদা উৎখ্রে।

ঙসি উৎখিবা দ্রামা অদুগী মপুং ওইবা ৱারীদি নোংমা নোং কন্না চুরবা নুমিদাং অমদা মখোয়গীনি হায়না হন্না য়েংলুবদা কনাসু লৈজদ্রবা নৌরিবী মতৈ মনাও অনীখক য়াম্না ফজখ্রবা সহর অমদা লাকখি। অদুবু নুপী অদু নাওপুদুনা থা শুরকপগী নাওয়েকসু কন্না লাকপা মতম অমা ওইখি। মতাংদু য়ৌরকপদা নুপা অদুনা মাগী নুপীগী মতৌ অদুবু য়েংবা ঙমদবদগী লম্বীদা লাকপা গারীশিং খামদুনা হোস্পিটাল ফাওবদং পুনবা হোৎনবদা কনা অমত্তনা থৌশাবিদনা হন্না য়েংবিখিদে।

লম্বীগী চিদাই অমদা নাওয়েক্লা খাঙবা ঙমদদুনা থরো মরো ওল্লবা মতুংদা লম্বীগী চিদাইদা নুপীমচা অমা উন্নখি। অঙাং অদু উন্নরবা মতুংদা লম্বীদা চৎলিবা মীওইশিংদা মখোয়গী মচা অদুগী মমিং থোনবীনবা হায়জখি। হায়জরিবা অদুদা মীয়াম্না পোকপদা ঙাইরিবা অঙাং অদুগী মমিং অদুবু অমম্মতা ওইনা থোনবীরমখি। অদুমকপু মীয়াম্না থোল্লন্নিবা মমিং অদু মখোয়গী মচাগী মমিং ওইবদা চান্নবা মমিং ওইখিদে। করি মরমগী চান্নবা মমিং য়াওদ্রিবনো হায়বদা মখোয় অনীনা খঙই মখোয় অনীগী মচা অসি য়াম্না অৱাবা মওং অমদা হিংহৌগদবনি হায়বা অদুনা মীয়াম্না থোল্লিবা মমিংশিং অদুবুম খোয়গী মচানুপীদা চান্নবা খক ওইরোই হায়না খনখি।

ইখঙ খঙহৌদনা ওফিসার অমগা জেসিবি অমগা মফম অদুদা লাকখি। তাঞ্জা অদুদা ওফিসার অদুনা মখোয় অহুম্না লৈরিবা মায়কৈদা চঙলক্লগা ‘হে চৎলো’ হায়না তানখি। মতম অদুদা মখোয় অনীনা পোকপদা ঙাইরিবা মচানুপী অদুগী মমিং ওইনা থোনখি। তুংগী পুন্সিদা অৱাবদা মায়োক্লরগনি হায়না খনখিবা মচানুপীগী মমিং অদুবু ওফিসার অদুনা লাউরকখিবা ‘হে চৎলো’ হায়বা মিংথোলদু ওইনা থোনখি।

অদুবু মখোয়গী মচা অদুনা চাওর–শাংলবা মতমদা সহরগী নিল খোঙবা ফজখ্রবা ফিজেৎ লৈতেং, অহাও অথুম, ফুরা দালাননচিংবা অদুবু মীতারক্কনি হায়বগী মীপায়বা লৈখিবনা মখোয় অনীনা পীক্লিবা অঙাং অদুদা অহাওবা ঙামোকপু হাওতবনি হায়জিনবা, তাথি তাওইনা চৈবিবু নুংশিবা ৱাহৈনা নুংশিনা মীকৌবিবনি হায়না খঙহন্দুনা মখোয়না পামজবা পান্দমদা তাইওন্নবা মওংদা অঙাং অদুদা তম্বীখি।

পীক্লিবা মচানুপীনা চাওরকপা উবদা মখোয়গী পান্দম ফঙলে হায়না খঞ্জদুনা মচাবু য়েংদুনা মখোয়না তৌরিবা অদু অচুম্বা অশেংবা নত্তে হায়বা খঙনা মখোয়গী পুন্সি মরোমদোম লোইশিনখি। অঙাং অদু মখোয়বু য়েংজরগা তাইবঙপালবু য়েংজরগা য়াম্না নুংঙাইনা নোক্তুনা অঙাং অদুগী পুন্সি নুংঙাইনা হিংখি। মসিনা দ্রামা অসিগী মপুং ওইবা ৱারী ওইখি।

লমায় ১ গী মখা

# নুমিৎ ১৬৩ নি চত্থরকখিবা ইমপ্লোইশিংগী খোঙজং...

লোয়ননা হৌখিবা আগষ্ট ১০ দগী হৌদুনা অহানবা তাঙ্কক্কী ৱারী শান্নবা হৌরকপনি। অনীশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা আগষ্ট ১৮ দা ৱারী শান্নবা মতম লেপ্পুরবা মতুংদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অটল বিহারি ভাজপায় লৈখিদবগী অরোইবা মথৌ মঙম য়াওনবা চীফ সেক্রেটরি য়াওনা ওফিসিয়েল খরা দিল্লিদা চৎখিবদগী ঙসি মতম লেপ্পগা ৱারী মখা চত্থরকপনি।

ঙসিগী ৱারী শান্নবা অদুদা মপুং ওইনা হৌখিবা জুলাই ২৮ দা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা ৭ শুবা সেন্ত্রেল পে পীবগী মতাংদা থোকখিবা ওর্দর অদুগী মতাংদা কুপ্পা খন্নখি।

ঙসিগী ৱারী শান্নবা অদুদা ফিটমেন্ট ফেক্টরগী মতাংদা জে এ সিনা ফিটমেন্ট ফেক্টর ২.৫৭গী মহুত্তা ফিটমেন্ট ফেক্টর ৩.৬৮ দিমান্দ তৌবনি। মসিদা গভর্ণমেন্টনা জে এ সিনা মসিদা লৈথোক লৈশিন তৌবিনবা হায়রকপদগী গভর্ণমেন্টকী ৱাফম অদুদা অয়াবা পীখি।

ইং ২০১৬কী জনুৱারি ১ দগী এরিয়ার য়াওনা ৭ শুবা সেন্ত্রেল পে পীনবা জে এ সিনা থল্লিবা দিমান্দ অসি হন্দোক্লবা জে এ সিদা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী অকনবা প্রেসর পীরকখি।

মদুদা জে এ সিগী মায়কৈদগী মদু হন্দোকপা ঙম্লোই হায়না চপ য়ুংনা লেপখি। জুলাই ২৮দা ৭ শুবা পেগা মরী লৈননা থোকখিবা ওর্দর অদুদগী হোংলরোই, মসিদা চপ য়ুংনা লৈগনি, গভর্ণমেন্টকী ওর্দরদি অমুক থোকখ্রবদি থোকখ্রে হায়না ফিরেপ লৌখি।

জে এ সিগী মায়কৈদগী জুলাই ২৮গী ওর্দর অসি রিভিয়ু তৌগদবনি, করিগুম্বা তৌদবা তারবদি জে এ সিনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি মখা শমথনবা মচাক অমা ওইহনগনি। শান্তিগী ৱারী শান্নবা হায়বসিদা দিমান্দশিং অসি খন্নবগী মহুত্তা জুলাই ২৮গী ওর্দর অসি চৎনগনি হায়রবদি খন্ননবা মফম য়াওদ্রে, মরম অসিনা খোঙজং অসি পার্লিয়ামেন্ট মীখল ফাওবা অদুমক চত্থরগনি হায়না থমখি।

ৱাফম অদু তারবা তুংদা জে এ সিসু খরা হন্দোকপা অমসুং গভর্ণমেন্টসু খরা হন্দোক হঞ্জিন তৌনসি হায়বদগী ৱারী মখা চত্থবনি। পুং ১.৪৫ রোম চংনা ৱারী শান্নরবা মতুংদা চীফ সেক্রেটরিগী থাক্তা লোইশিনবা য়াদবা ৱারী য়াওবনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী থাক্তা অথুবা মতমদা ৱারী শান্নরবা মতুংদা মণিপুরগী ইমপ্লোয়িশিংনা মতম শাংনা দিমান্দ তৌদুনা লাক্লবা অসি ফংবা য়াবগী ওইথোকপা অদু নকশিনলক্লে।

মহাক্লা মখা তানা হায়, ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা শেল থুমগী অৱাবা লৈরবসু জে এ সিনা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টতা ষ্টেটকী শেল থুমগী অৱাবা অসি য়েংলগসু জে এ সিগী মায়কৈদগীসু হান্না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা ৭ শুবা সেন্ত্রেল পে অমসুং পোইন্ট ২২ য়াওবা চার্টর ওফ দিমান্দ অদু থবক ওইনা ওন্থোকপদা অৱাবা লৈবনা অহেনবা ফন্দ পীবিনবা হায়জখিবা লৈখ্রে। মসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টকসু পুন্না চৎমিন্ননবদা কায়দে হায়খি।

নাকল অনীনা ৱারী শান্নরবা মতুংদা চীফ সেক্রেটরী অমসুং গভর্ণমেন্টকী মীহুৎশিংগী মায়কৈদগী ৭ শুবা পে কম্মিসন অসি জনুৱারি ১ ইং ২০১৬তগী পীনবগী ৱাফম অসিদা য়ানিংবা ফোঙদোক্লকখিবনি।

মদুগী মখা তারকপদা পীবগী মওং অসি জে এ সিগী মায়কৈদগী থল্লমখিবা ৱাফমদি ইং ২০১৬কী জনুৱারি ১ দগী ৭ শুবা সেন্ত্রেল পে পীরবসু হয়েংমক পীয়ু হায়বা নত্তে। মসি জি পি এফ একাউন্টতা হাপ্পা অমসুং অনৌবা পেন্সন স্কিম চৎনরবা মতুংগী ইমপ্লোয়শিংগী ওইনসু পীগদবা মওং অদু কুপ্পা খন্নরগা চৎনবা য়াবা ফিভম অদু পুথোক্তুনা খন্নবদা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী য়ানিংবা ফোঙদোক্লকখি।

গভর্ণমেন্টনা মণিপুরগী ইশু ময়াম অসিগী মরক্তা জে এ সিগী মতম শাংলবা দিমান্দ অসি খন্নবীরক্তুনা অপাম্বা লম্বীদা লাকপা য়াবগী ফিভম অমা লাকপা অসিগীদমক গভর্ণমেন্টপু থাগৎলি।

অদুম ওইনমক দিমান্দশিং অসি গভর্ণমেন্টনা ওর্দর অমা থোক্লগা চৎনদ্রিবা ফাওবদি ইমপ্লোয়ি খুদিংমক্লা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি হন্দোকপা তৌদনা মখা তানা চঙশিন্নবা আপীল তৌখি। অইবা চেরোল ফংদ্রিবা ফাওবদি মতম কক্তবা খোঙজং অসি চঙশিনখিগনি।

ঙসিগী ৱারী শান্নবা অদুদা অহুমশুবা তাঙ্কক্কী ৱারী শান্নবগী মতম লেপথোকখিদ্রবসু অথুবা মতমদা মতম লেপ্লক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না বিকেননা ফোঙদোকখি।

# রিমসকী রিগুলার দাইরেক্টর হাপ্তুনা মথৌ নিংথিনা...

থবক খুদিংমক নিংথিনা তৌবা ঙমদবা অমসুং ইমপ্লোয়িশিং ফাওবা মতম চানা তলব ফংবা ঙমদবগী মওংদা লাক্লিবা অসি ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস গার্জিয়ান ওর্গনাইজেসননা হকচিন্না লৌই।

মেদিকেল কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়ানা হৌখিবা জুলাই ৩ ইং ২০১৭ তা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না পোষ্ট গ্রেজুয়েট মেদিকেল ক্বালিফিকেসন লৈবা অমসুং টিচিং প্রোফেসনন্দা প্রোফেসার, এসোসিয়েট প্রোফেসার, রিদর ওইনা চহি ১০গী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা চহি ১০ অসিগী মনুংদা চহি ৫ দিপার্টমেন্ট অমদা প্রোফেসার ওইনা লৈরক্লবা মীওই অমবু দাইরেক্টর ওইনা হাপকদবনি। লোয়ননা হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট ওইরিবা মীওই অমদা হান্না খুদোংচাবা পীগদবনি হায়না ফোঙদোকখিবনি। মসি ইন্দিয়াদা লৈরিবা মেদিকেল ইন্সটিট্যুসন নৎত্রগা কলেজশিংনা ঙাক্লা চৎকদবনি।

অমরোমদা হৌজিক লৈরিবা রিমসকী দাইরেক্টরগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা ইং ২০১৮গী মেগী ৭ তা ওর্দর অমা তাখি। ওর্দর অসিগী মতুংইন্না ইং ২০১৭কী জনুৱারিদা দাইরেক্টর হাপ্পগী ইন্টর্ভিয়ু অমা পাঙথোকখিবা অদু হায়দোক্লবা মতুংদা খনগৎলবা কেন্দিদেটশিং অদুগী মনুংদগী মতিক চাবা মীওই অমা দাইরেক্টর হাপ্নবা খঙহল্লকপা লৈখি।

অদুবু য়াম্না লাইবক থিবদি হৌজিক কন্ট্রেক্টতা দাইরেক্টর অমা হাপচিল্লগা থা ৬ কী ওইনা শাংদোক্লগা লৈবা অসিনা সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর অসিবুসু থুগায়রে অমসুং রিমসতা মপুং ফাবা দাইরেক্টর অমা লৈতবনা মসিদা য়াম্না চরাংনবা ফিভম অমদা থোকহল্লে হায়খি।

রিমসকী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা সুপ্রিম কোর্টনা পীরিবা রুলিং অমসুং এম সি আইগী মতুংইন্না খ্বাইদগী সেনিয়ার ওইরবা অমসুং লমদম অসিগী মীওই ওইবা অমসুং রিমসকী মরমদা মমুৎ তানা খঙলবা মীওই অমা দাইরেক্টর হাপ্পা মথৌ তাই হায়খি।

রিমসতা লিশাং শিৎনা এম সি আইগী মতুংইন্না আই এ এস ওফিসার হাপ্পা য়াদে হায়না পল্লবসু আই এ এস খরা দাইরেক্টর হাপ্পা, কন্ট্রেক্টতা মতম শাংদোক্লবা দাইরেক্টর হাপ্পা অসিনা রিমসতা য়াম্না চরক চহিং নাইবা ফিভম অমা লাকহল্লে হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মসি মরী লৈনবা ওঠোরিতিনা এম সি আই অমসুং সুপ্রিম কোর্টনা পীরিবা রাই অসিগী মতুংইন্না মতিক চাবা দাইরেক্টর অমা হাপ্পীদুনা ফানা থবক তৌবা ঙম্বা ইন্সটিট্যুট অমা ওইহন্নবা হোৎনবীয়ু হায়খি।

# ইরাবত দে নুমিৎত মার্চ পাস কম্পিটিসন পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, আগষ্ট ৩০ঃ

ইরাবত সেলেব্রেসন কমিতিগী মীৎয়েং মখাদা ওল ইন্দিয়া ষ্টুদেন্ট ফেদরেসনস (আইএএফএফ) মণিপুর ষ্টেট কাউন্সলনা শীন্দুনা চহী খূদিংগী পাঙথোকপগুম কুমসিসু মাচ পাস কম্পিটিসন সেপ্টেম্বর ৩০দা পাঙথোক্লগনি।

ইম্ফালগী বিটি রোদতা লৈবা এআইএসএফকী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবদা ষ্টেট সেক্রেটরী কেঐচ রামশ্বেরনা হায়, সেপ্টেম্বর ৩০দা ১২২শুবা ষ্টেট লেভেল ইরাবত দে সেলেব্রেসনগী মনুং চন্না পাঙথোকদৌরিবা মার্চ পাস কম্পিটিসনদা স্কুল, কলেজ, বেন্দ পার্টি অমদি নুপী লূপশিংনা শরুক য়াবিয়ু। কম্পিটিসন অসিগীদমক এআইএসএফ ষ্টেট ওফিসতগী ফোম লৌরবা য়াগনি।

সেপ্টেম্বর ২১দা এআইএসএফ অমসুং এআইৱাইএফ খূৎশম্নদুনা ব্লদ দোনেসন কেম্প, ইরাবতকী মরমদা এৱেয়ারনেস প্রোগ্রামনচিংবা কয়াসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

লমায় ১ গী মখা

# সিবিআইনা কম্মান্দো পার্সোনেল...

থাদা ৱাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মফম অমদা থোকখিবা লালহৌবশিংগা নোংমৈ কাপ্নবনি হায়বা থৌদোক অমগী মতাংদনি। থৌদোক্তুদা লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিংনা লাইশ্রম রনবির সিংহ কৌই। থৌদোকসিগী মতাংদনা ৱাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসননা কেস এফআইআর নম্বর ১০৭(১২)২০১১ রেজিষ্টর তৌরগা লৌখৎখিবনি হায়রি।

অদুগা থৌদোকসিগী মতাংদা সিবিআইনা সিসেম্বর ৭, ২০১৭ অমসুং ফেব্রুৱারি ২৭, ২০১৮দা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেসশিংগী নম্বরশিংনা মথং শীৎনা আরসি–১৬(এস)/২০১৭ অমসুং আরসি–দিএসটি/২০১৮/এস/০০১৬নি। কেসশিং অসি ইন্দিয়ান পেনাল কোদকী সেক্সন ১২০বি / ৩০২ / ২০১গী মখাদা রেজিষ্টর তৌবনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা সিবিআইনা মখোয়গী চার্জসিটতা এক্যুইজশিং ওইনা মমিং পল্লক্লিবশিংনা হৌজিক্লা নাকোর্টিক এন্দ এফেয়রস ওফ বোর্দর (এনএবি)দা দিপ্যুটেসনদা লৈরিবা মতমদুগী কম্মান্দোগী সব ইন্সপেক্টর ওফ পুলিস ক্ষেত্রিময়ুম উত্তমকুমার, অপোকপা কেএসঐচ দিলিপ, ৱাঙ্খে ৱাঙ্খেময়ুম লৈকাই, হেদ কন্সটেবলশিংদা কেঐচ শুসিলকুমার অপোকপা কেঐচ জুগিন্দ্রো, লাংথবাল মন্ত্রিখোং মখা লৈকাই, লাইশ্রম দিনাচন্দ্র অপোকপা এল জয়কুমার, লাংথবাল লেপ মখা লৈকাই অমসুং ৫শুবা আইআরবিদগী কম্মান্দো এটেচ তৌরগা লৈবা রাইফলমেন য়ুম্নাম সন্তোস, অপোকপা লৈখিদ্রবা ৱাই কুঞ্জমনি, নিলকুথি অৱাং লৈকাইনি।

সিবিআইনা চার্জসিট অসি আইপিসিগী সেক্সন ৩৪ / ৩০২ / ২০১গী মখাদা কোর্টসিদা সবমিট তৌরকখিবনি।

এজেন্সি অসিনা চার্জসিট অসি সবমিট তৌরকপগা লোয়ননা ঙসি কোর্টসিনা এদমিট তৌখিবগা লোয়ননা ক্রিমিনেল (পি) কেস নম্বর ১০৩ ওফ ২০১৮ রেজিষ্টার তৌদুনা লৌখৎখ্রে।

লোয়ননা কোর্টসিনা ঙসি পীখিবা ওর্দর অমদা এক্যুইজ কম্মান্দো পার্সোনেলশিং অসিগী মথক্তা কোগনাইজেন্স লৌবদা য়াওরিবা প্রাইমা ফেসি মেটরিয়েলশিং অসিনা মতিক চারে। মখোয়গী মথক্তা ওফেন্স অসিগী মতাংদা প্রোজিক্যুসন সেঙ্কসন লৌবগী দরকার লৈত্রে হায়খিবগা লোয়ননা এক্যুইজশিং অসি মথং থাগী ২৪ ফাউবগী মনুংদা কোর্টসিদা লাক্লবা সম্মোনশিং ইশ্যু তৌখি।

পনবা য়াবদি ফেক এনকাউন্টর কেসশিংগী মতাংদা সিবিআইগী মায়কৈদগী মরী লৈনবা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টকী চীফ জ্যুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেট (সিজেএম) কোর্টশিংদা পুলিস কম্মান্দোগী ওফিসার অমদি পার্সোনেলশিংগী মথক্তা চার্জসিট থাঙ্গৎলকখিবা পুন্না কেস মঙা শুরবনি। কেসশিং অসি মমাঙ থাদগীনা ঙসি ফাওবদং ফাউবগীনি।

# শিবগী চৈরাক পীয়ু হায়না খোঙজং...

লৈখিদ্রবা থম্বালবু ৱাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমনা ঙসি রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ফোরেন্সিক মেদিসিনদা মেদিকেল একজামিনিসন তৌখ্রে।

অমরোমদা, তোম্বীসনানা মহৈরোই নুপীমচা অমবু ইজ্জৎ মাঙহল্লুই হায়বা থৌদোকসিগা মরী লৈননা ইন্টর্নেস্নেল স্কুল ওফ রিসোর্স (ইসোর) কানচিপুরগী মহৈরোইশিংনা ঙসি নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১ রোম তাবদগী হৌদুনা ৱাকৎ মীফমগী খোঙজং চঙশিনখি।

ৱাকৎ মীফমগী খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবী ক্লাস টুয়েল্ফ তন্নিবী মহৈরোই নুপী মচা অমনা ফোঙদোকখিবদা সামুরৌ অৱাং লৈকায়দগী মতু মচা লৈরবা অবুজম তোম্বীসনা(৪৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা থম্বাল হায়রিবা মীওই অসিনা মশামক্লা মহৈ–মশিং তম্বীরিবী নুপীমচা অমদা য়াম্না তুক্কচনিংঙাই ওইবা থবক চত্থখিবা হায়বসি লাইবক থিবনি। থৌওং অসি অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই।

মহাক্লা চত্থখিবা ফৎত্রবা থবক অসিনা তুংগী য়ুম্বী ওইগদৌরিবা মহৈরোইশিংবু মখূৎ পায়দুনা তাকপি তম্বীগদৌরিবা ওজা পূম্নমকপু চেন্থহনবদা নত্তনা ওজাগা ছাত্রগা লৈনরিবা মরী অসি লাপথোক্লহনখিনবা থৌওংনি।

অসিগুম্বা শারমচৎ চৎপা ওজা অসি শিবগী চৈরাক পিবিয়ু হায়না মহৈরোই নুপীমচা অদুনা য়াম্না পেন্দনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ডাক্তরশিংনা লায়েংবা লেপ্পগী...

হায়জদুনা লাকখিবনি। অদুবু জে নিমস হোস্পিটালগী রিগুলর সেনিয়র রেসিদেন্স ওইনা লৈরিবা ডাক্তরশিংনা সার্ভিস রুল শেমদোকপীয়ু হায়বা দাবিদা অনাবা লায়েংবা লেপ্পগী খোঙজং চঙশিনবা অসিদি নুংঙাইতে। ২০১৫ আগষ্ট ১দগী চৎনবা হৌখিবা সার্ভিস রুলদা সেনিয়র রেসিদেন্স ডাক্তরশিং এসিষ্টেন্ট প্রোফেসরদা প্রামোসন কানবা মফম য়াওরমদ্রে। অদুনা রুলগী মতুং ইন্না দাইরেক্ট রিক্যুইটমেন্ট তৌনবা থৌরাং তৌরকখিবনি। রিগুলর ওইনা লৈরিবা ডাক্তর ৭৭কী মনুংদা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর কাবা য়াবগী ক্রাইটেরিয়া শুবদি ৩৫ খক্তনি হায়রদুনা মরী লৈনবশিংগা পুন্না ফম্মিন্নদুনা য়ান্নবা অমা পুরক্লবা হোৎনবনা অফবা ওইগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# সিল্ককী পোত্থোক হেনগৎহনবদা...

সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা সিল্কগী পোত্থোক হেনগৎনবা হোৎনরি অদুবু করম্না পোত্থোকশিং কোন্ননবা পুথোকপা ঙমদ্রিবনো হায়বসি য়েংশিনবা মথৌ তাই।

সিল্ককী পোত্থোক মরাং কাইনা পুথোকপা ঙম্নবা ফার্মরশিংবু ট্রেনিং পীবা, এৱেয়ারনেস পীবা য়াম্না মরু ওই। ফার্মরশিংবু পূক্নিং থৌগৎনবা অমদি হেন্না লৌশিং লৈহন্নবা মতম মতমগী ওইনা কিষান মেলা পাঙথোকসি হায়নসু মখা তাখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা সেরিকলচর দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্টর এস কুঞ্জকেশ্বোর অমদি সেন্ত্রেল সিল্ক বোর্দকী সেন্ত্রেল ওফিসারগী দিপ্যুতি সেক্রেটরী (টেক্নোলোজি) ডা. ভিজয়াকুমারসু শরুক য়াখি।

# বন্দ হন্দোকখ্রে

মনুংদা চার্জসিট কোর্টতা থাগৎনবা হোৎনগনি হায়বগী থাজবা পীরকখি। মদুনা মরম ওইরগা বন্দগী খোঙজং অদু হন্দোকপনি। লোয়ননা অশিবা হকচাংসু লৌরগা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী এমএলএ লোকেশ্বর সিংহনা লৈখিদ্রবী মেমিগী মথৌ মঙম পাঙথোকপদা মতেং ওইনবা লুপা লাক্ষ ১ ইমুংগী মীওইশিংদা পীরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

# এক্সিদেন্টদা মীওই ৫ অশোক...

অদুগা মোরে হোস্পিটাল লৈহৌরিবা অশোকপা অনী অদুগী মমিংনা থাংলেন হাওকিপ অমদি য়াংখোলেন বাইতে কৌই হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা মোরে পুলিসনা কেস অমসু লৌখৎলে হায়রি।

# ব্যুটি ঠেরাপী তম্নবগী ইন্টরভিয়ু পাঙথোকখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, আগষ্ট ৩০ ঃ লমদম অসিদা লৈরিবা থবক ফংদ্রিবা হৌগৎলক্লিবা নহাশিংদা স্কিল দিভলপমেন্ট ত্রেনিং পীদুনা মশানা মশাবু থবক পীজদুনা শেন্থোক লৈনা হিংজবা ঙম্নবা ব্যুটি ঠেরাপীগী ত্রেনিংদা শরুক য়াগদবশিংগী সেলেক্সন ইন্টরভিয়ু পাঙথোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফালগী নোৰ্ঠ এ ও সিদা লৈবা ওল্ড হায় কোর্ট কমপ্লেক্সতা মোবেদসকী ওফিসতা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ সোসিয়েল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্টকী মখাদা লৈরিবা নেসনেল বেকৱার্দ ক্লাসেস ফাইনান্স দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন, নিউ দিল্লিনা নিটকোন ইন্দিয়া প্রাইভেট লিমিটেদকা খূৎশম্নদুনা চত্থগদবা ব্যুটি ঠেরাপীগী স্কিল দিভলপমেন্ট ত্রেনিংদা শরুক য়াগদবা মীওই ১০০ খন্নবগী ইন্টর্ভিয়ু পাঙথোকখ্রে।

ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিগী মতাংদা মোবদসকী এসিষ্টেন্ট প্রোজেক্ট ওফিসার এম দি অলম অজাদনা হায়, ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসি মপুং নিটকোন ইন্দিয়া প্রাইভেট লিমিটেদনা তৌগদবনি অদুবু মসিগী মোনিটরিংনা মোবেদসনা তৌগদবনি।

ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা মশাগী চহি ১৮ দগী ৪০ ফাওবদা লৈবা মীওইশিংনা শরুক য়াবা য়াগদবনি। কোর্স অসিগীদমক খনগৎলবা মীওইশিং অসি খাবম লমখাই অমসুং হৈরাঙ্গোইথোংদা লৈবা ত্রেনিং সেন্টরশিংদা নোংমদা পুং ৩গী চাংদা চয়োল অমদা নুমিৎ ৬ ক্লাস চত্থগনি। লোয়ননা থা অহুমগী কোর্সনি।

কোর্স অসি য়াওরবা মতুংদা স্কিল লৈরবা মীওইশিং মপান লমদা জোব প্লেসমেন্টকী খুদোংচাবা ফংগনি লোয়ননা লমদম অসিদসু মশানা মশাবু থবক পীজদুনা শেন্থোক লম্বী লৈনা হিংবা য়াবগী খুদোংচাবা পীরগনি হায়না অলম অজাদনা ফোঙদোকখি।

# অহল অমনা নুপীমচা অমা ইজ্জৎ মাঙহনবিরম্লে

ইম্ফাল, আগষ্ট ৩০ঃ

মমাঙ থাগী ৩০দা স্পেসিয়েল জজ, (পোক্সো), সেনাপতিনা পীখিবা জজমেন্ট অমদা পীক্লিবা নুপীমচা অমবু ইজ্জৎ মাঙহল্লবা মতুংদা মখৌরি মেৎলগা হাৎখিবগীদমক আর দেবিদ কৌবা নহা অমা শিদ্রিবা ফাওবা ফাঁসি তৌনবা ওর্দর পীখিবদা ঙাইরিঙৈদা মশাগী চহী ৬৯ লোম শুরবা অহল অমনা চহী ১৭ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা ইজ্জৎ মাঙহনবিরম্বদগী পুলিসনা অহলদু ফাখ্রে।

থৌদোক অসি ফুংয়ার দিষ্ট্রিক্টকী সোটে ভিলেজদা থাসিগী ২৩দা থোকখিবনি। থৌদোকসিগী রিপোর্ট উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী ৱুমেন পুলিস ষ্টেসনদা থাসিগী ২৭তা রিপোর্ট তৌরকপদগী পুলিসনা প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন এগেনষ্ট সেক্সুয়েল ওফেন্সেস (পোক্সো) এক্টকী মখাদা কেস অমা রেজিষ্টার তৌদুনা লৌখৎপগা লেয়ননা মথংগী নুমিৎ থাসিগী ২৮গী অয়ুক অঙনবা পূং ২.৩০ রোম তারকপদা থৌদোকসিদা চেন্নরিবা অহলসি ফাগৎখ্রে।

ফারবা অহলসিগী মমিং ঙতাংমি চিথুং (৬৭) কৌই। থৌদোক থোক্লিবা মফমসিদগী লৈখিদ্রবা পুৱালেংগী মচানুপানি। মহাক পুলিসনা কোর্টতা পুথোক্লগা মথং থাগী ৩ ফাউবদা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথখ্রে।

লোয়ননা মহাক মশা অমসুং মহাক্লা ইজ্জৎ মাঙহনবিরবী নুপীমচা অদু ঙরাং রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) কী ফোরেন্সিক সাইন্স মেদিসিন দিপার্টমেন্টতা পুরক্তুনা মেদিকেল ইগজামিনেসন তৌখ্রে।

# পুলিস কন্সটেবল–২০১৩গী কেস য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ৩০ঃ

মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী কন্সটেবল (মেল / সিভিল) গী পোষ্ট ২০০০ লৌনবগীদমক পাঙথোকখিবা রিক্যুইটমেন্ট অদু গভর্ণমেন্টনা ককথৎলুবগী মায়োক্তা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌনরকখিবা কেসশিংগী জজমেন্ট অমা কোর্টসিগী সিঙ্গল বেঞ্চনা পীখ্রবা মতুং মসিগী মায়োক্তা অমুক ফাইল তৌনরকখিবা রিট আপিলশিংগী কেস ঙসি পাঙথোক্তনা মথং থাগী ১২দা য়ৈথোকখ্রে।

রিট আপিলশিংদু ঙসি কোর্টসিগী চীফ জষ্টিস রামলিঙ্গম শুধাকর অমসুং জষ্টিস কেঐচ নোবিনগী দিভিজন বেঞ্চকী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ৪দগীনি ২০ ফাউবদা লিষ্ট তৌখি।

অদুবু দল্লিয়ুএশিং অসিগী পিটিসনরশিংগী মরক্তগী খরগী মায়কৈদা লেপ্তুনা লাকখিবা সেনিয়র এদভোকেট খাইদেম মনিবু মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী চেয়রপার্সন–ইন–চার্জ ওইনা খঞ্জিনখিবদগী মহাক লাক্ত্রে। মরম অসিনা মহাক্কী মথক্তা কাউন্সেল অমা শিন্নবগী তাঞ্জা পীবিয়ু হায়দুনা মহাক্কী জুনিয়র কাউন্সেলশিংনা কোর্টতা হায়জরকপদগী ঙসি কেসশিং অসি খন্নদনা য়ৈথোকখিবনি।

মরম অসিনা মমাঙদা কোর্টসিগী সিঙ্গল বেঞ্চনা ২০১৩দা পাঙথোকখ্রিবা রিক্যুইটমেন্ট অসিগী ভাইভা ভোসি তৌগদবশিং ৱাংলৌবশিংদুগী পাঙথোক্লগা ক্বালিফাই ওইরবা কেন্দিদেন্টশিংগা পুনশিন্নরগা থা ৩ ফাউবগী মনুংদা ফল লাউথোকউ হায়খিবা ওর্দর চৎনহন্দনা থল্লক্লিবদুদি অদুম্মক মখা তানা চৎনখিগনি হায়রি।

# মাংখিবা গারী ফাগৎলে, নোংমৈগা কোন্ননা ফারে

ইম্ফাল, আগষ্ট ৩০ঃ

হুরানখিবা গারীগা কোন্ননা মীওই অমা অমদি আইন কায়না নোংমৈ পায়রম্বা মীওই অমা নোংমৈগা কোন্ননা ফারে।

গারী হুরানবগী মায়োক্তা এন্তি ভেহিকল থেফ টিমনা লেপ্তুনা চত্থরকপা দ্রাইভকী মনুং চন্না ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিসনা মমাঙ থা জুলাই ৯দগী থিদুনা লাকখিবা সিলভর মচুগী মারুতি ৮০০ রেজিষ্ট্রেসন নম্বর এমএন০৭দি–২৯৪৮অসিগা কোন্ননা মীওই অমা ফারে। ফারবা মীওই অদুদি য়াইরিপোক তুলিহল অৱাং লৈকায়দগী এমদি অবদুল্লাহ সাহ অপোকপা এমদি সিরাজ অহমদনি হায়রি। ফারবা গারী অমদি মীওই অদু ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, আইন কায়না নোংমৈ পায়রম্বা মীওই অমা থৌবালগী নুপী পুলিস য়াওবা কম্মান্দো টিম অমনা ফারে। ফারবা মীওই অদুগী মমিং অমজাদ খান এলাইজ অবদুল নুর(২৬)কৌই। লিলোংদাম মখোং অতৌখোঙদগী এমদি অবদুল সামদকী মচানুপানি। মঙোন্দগী নাইন এমএমগী পিস্তোল অমগা মারুতি শ্বিফ কারগা কোন্ননা লিলোং বাজারদগী ফারে হায়রি।

লমায় ১ গী মখা

# রিমস মোর্গকী ষ্টাফ অনী মচীন হংখ্রে

লম্ফেলপাৎতা লৈবা সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সিবিআই)গী ওফিসতা কৌদুনা মচিন হংখিবা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)কী মোর্চুঅরি (মোর্গ)কী ষ্টাফ অনীদু অমনা সেনিয়ার টেক্নিসিয়াননি অদুগা অমনা এটেন্দেন্টনি।

মখোয় অনী ঙরাং নুংমীৎয়ুংবা মতুংদগী নুংথিলগী পূং ৪ রোম তারকপা ফাওবদা সিবিআইগী ইনভেষ্টিগেসন ওফিসার (আইও) অমা য়াওনা ওফিসিয়েলশিংনা মচিন হংখিবনি।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা ষ্টাফ অনীসিদা সিবিআইগী আইওসী মায়কৈদগী চহি ৬ লোমগী মমাঙদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মফম অমদা মণিপুর পুলিস কম্মান্দোগী টিম অমনা নোংমৈ কাপ্নবনি হায়বা থৌদোক্তা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা মীওই অমগী পোষ্ট–মোর্টেম ইগজামিনেসন তৌবগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং হংখি হায়রি।

সিবিআইগী মায়কৈদগী পাংথোকখ্রিবা পোষ্ট–মোর্টেম ইগজামিনেসন অদুগী দেদ বোদি চলান, ইনক্বেষ্টকী ফোর্ম, দেদ বোদি রিক্বইজিসন অমদি পোষ্ট মোর্টেম ফোর্মনচিংবশিং পুথোরক্তুনা দোক্যুমেন্টশিংসিদা সহি তৌখিবা দাক্তর য়াওনা মহাক্কী টিম ওফিসিয়েলশিংগী সহিশিং চুপ্পা হায়দুনা ভেরিফাই তৌহনখি।

লোয়ননা লৈখিদ্রবা মীওইদুগী পোষ্ট মোর্টেম ইগজামিনেসনদা লেবোরেটরি টেষ্টশিংগীদমক লৌহৌবা সেম্পলশিং অমদি লৈখিদ্রবা মীওই অদুনা শেৎলক–চারকপদুগী পুলিসনা রিকোভর তৌখিবা ফি–রোলশিংগী মতাংদসু কুপ্পা হংখি হায়রি।

# য়ু এফ ওবু লান্না শন্দোক্লুবগী মতাংদা নাকল অনী...

আগষ্ট ২৮ দা ৱাংজিং লমদিংদা মীতৈশিংগী ওইবা থৌরম অমদা কে মেঙ্গরনা য়ু এফ ওগী মরমদা খঙদ্রিবা মীয়াম্বুলান্না লমজিংবা য়াবা মওংদা ৱাফম কয়া ফেসবুক্তা থাগৎলকখি।

মহাক্লা হায়, মেঙ্গরনা করিগুম্বা অমত্তা খঙদনা মশা শঙলেন ২২৭ লৈবদা শঙলেন ২৭৪ লৈ হায়জিনবা, বট্টালিয়ন ৩৮ লৈবদা ৩৪ লৈ হায়জিনবা, শঙলেনশিং অসি থুংনা চৎলুরে থাঙ তা অমত্তা লৈরমদ্রে হায়না ফেসবুক্কী খূথাংদা থাগৎলকখি। লোয়ননা সটজাল য়াওরিবশিংনা থক্লিবা চারিবা পোৎলমশিং অসিগী মনুংদা তৌহন্নিংদবা চাহন্নিংদবা লৈরবসু মদু তৌহন্নিংদে হায়না সজেসন পীবদা অকায়বা লৈতে। অদুবু কিহুন খঙহনবগী মওংদা চত্থরকপা অমসুং চুথোক্কনি হায়না ফোঙদোক্লককপা অসিদি লাইবক থিবনি।

সটজালনা কলচরগী মরমদা চাদ থক্তবমখৈ কন্না হোৎনজরিবা ময়াম অসিগী মথক্তা মহাক্ল চুমথোক্কে হায়বসি চিংনজবা লৈ। মহাক কনানো হায়বদু কুপ্পা থিগৎলি। মহাক্ল হায়খিবা ৱাফমশিং অদু অরানবা ঙাক্তা ওইবনা ঙসিগী মীফম অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

ঙসি ওজা অসি য়াওনা পুন্না ফম্মিন্নরগা শেঙদোকপগী ৱাফমনি। মহাক্ল হায়, য়ু এফ ও অসি মালেম অসিদা তংদু লৈতাবা লমদম অমা ওইহন্দুনা লান লৈতবা মালেম অমা শেম্নবগীদমক কন্না হোৎনজরিবা ওর্গনাইজেসন অমনি।

কখোকপগা লোয়ননা চঙশিল্লিবা ওর্গনাইজেসন অসিবু লান্না শন্দোকখিবা য়াবা ৱাফমশিং থাজবীগনু। কে মেঙ্গর মঙাংনা মীফম অদুদা তিনখিবা মীওইশিংদা মহাক্ল হৌখিবা আগষ্ট ২৮ দা ৱাংজিং লমদিংদা পাঙথোকপা মীতৈশিংগী ওইবা মীফম অমদা সটজালগী মরমদা অরানবা ৱাফম কয়া ফেসবুক্কী খুথাংদা অপলোদ তৌদুনা থাগৎলুবা অদুগীদমক নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লি।

সটজালগী শঙলেন খরদা চৎলে লোইনা চৎখিবা লৈতে লোয়ননা ওর্গনাইজেসন অসিবু মীয়াম্না লান্না লৌবা য়ানবা মওংদা ৱাফম খরা ফোঙদোকখিবশিং অদু শোয়খ্রে হায়না হায়জবদগী নাকল অনীনা য়াশিন্নবা পুরক্তুনা থৌদোকশিং অদুগীদমক নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লি লোয়ননা মতুংদা অমুক হন্না তৌররোই হায়না ফোঙদোকখি।

# দ্রগ চাবা মীওই ১১ ফাগৎখ্রে

লোকেশ্বর অমদি য়ুম্নাম খুনৌদগী সগোলসেম জোন্সন(২০) অপোকপা লৈখিদ্রবা কুলবীনি। ফারবা নহা ৪ অসি লাঙ্গোল জোন ফোরদা লৈবা হিংমিন্নসি দ্রগ দি এদিক্সন রিহেবিলিতেসন সেন্তরদা থমখ্রে হায়রি।

পুলিস টিম অসিমক্লা খেরগাও সাবল লৈকায় এরিয়া অসিমক্তগী অতোপ্পা লাংপোকলাকপম মেঘজিৎ(২৬) কৌবা মীওই অমসু লুপা ১৫০০ রোমগী ওইগদবা হিরোইন নম্বর ফোর পাউদরগা কোন্ননা ফারে। মহাক কোংবা উচেক্লোন খুনৌদগী এল সুনিলগী মচানুপানি। মহাক দ্রগ চাবগা লোয়ননা দ্রগ য়োনবা মীওইনি হায়রি। মঙোন্দগী ফংলবা হিরোইন নম্বর ফোর পাউদরগা কোন্ননা পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা,ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তাবদা সোসিয়েল মেদিয়া ফেসবুক্তা ভাইরেল ওইরকখিবা মফম খঙদবা জগা অমদা মীওই খরা দ্রগ চাবগী উৎপা ভিদিও অমা হেক ফংবগা নার্কোটিক এন্দ এফিয়ার্স ওফ বোর্দর (নাব) মণিপুরগী টিমনা মফম অদু থিগৎপদা ইম্ফাল ইষ্টকী খেরগাও সাবল লৈকায় ওইরম্বদগী খুদক্তা চঙশিনবগা লোয়ননা দ্রগ চাবা মীওই ৬ লৌখৎলে হায়রি।

নাবনা লৌখৎলবা মীওই ৬ অদুদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট নাহারুপ থোংখোঙদগী মোইনাম বাবু(২৭) অপোকপা নাজামউদ্দিন, ক্ষেত্রি চান্দম লৈকায় ইম্ফাল ইষ্টতগী এমদি মুস্তাকিম(২৯) অপোকপা এমদি অবদুলনুর, খুরাই থাংজম লৈকায় ইম্ফাল ইষ্টতগী থৌদাম হরিকিসন সিংহ(৩৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা টিঐচ ইবোবি, রিমস ক্বাটর পিটি টু ইম্ফাল ৱেষ্টতগী তখেলম্বম দীপক শর্ম্মা(২৩) অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ইবোহলবি শর্ম্মা, নাগামপাল শিংজুবুং লৈরক্তগী কাঙুজম ৱোক্সন সিংহ (২৩) অপোকপা কে ভুবোন অমদি সেনাপতি কামসন ভিল্লেজদগী হৌজিক্লা চীংমৈরোং সঙাকফমদা লৈবা রোকিরোংমৈ (৩১) অপোকপা আরএল রোংমৈনি হায়রি।